# মোরেদা এঙ্গলো–কুকি ৱার চহী ১০০ শুরকপগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে, কুকি খুলশিংদা নুপীশিংনা নীংশিং নুঙ ঙাক শেনখ্রে

মোরে, ওক্টোবর ১৫(এস এন এস) ঃ তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা বোর্দর টাউন মোরেদা এঙ্গলো –কুকি ৱার (১৯১৭–১৯১৯) চহী ১০০ শুরকপগী সেন্টিনরি থৌরম পাঙথোকখ্রে। অমরোমদ চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা কুকি ভিল্লেজশিংদা থৌরম অসিগা মরী লৈননা য়ুংখিবা নীংশিং নুঙশিং নুপীশিংনা ঙাক শেনখ্রে।

হিল ট্রাইবেল কাউন্সিল মোরেগী ওফিস্তা ঙসি এঙ্গলো–কুকি ৱার সেন্টিনরি থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা মোরে পাষ্টর ফেলোসিফকী চিয়ারমেন রেভ ঙমহাও তৌথাংনা মেমোরিয়েল ষ্টোন (নীংশিং নুঙ)গী মায়খুম হাংদোকখ্রে। থৌরম অদুদা ভিল্লেজ চীফশিং, সি এস ও লুচিংবশিং, চর্চ লুচিংবশিং, এ দি সি মেম্বরশিং অমদি মোরে টাউনদা লৈবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা এ দি সি মেম্বর চিননৈভা হাওকিপনা হায়, এঙ্গলো–কুকি ৱার অসি শেমজিন শাজিনবা, হেক্তঃা হায়জিনবা ইতিহাস নত্তে, রেকোর্দ ওইনা লৈরিবা অশেংবা ইতিহাসনি। অসাম অমসুং লন্দনগী লাইব্রেরীদা এঙ্গলো–কুকি ৱারগী অশেংবা রেকোর্দশিং অদু লৈরি। মরম অদুনা ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংগী থৌনা লিংজেল অদুবু ঙসিগী মীরোলনা নীংশিংবা অমসুং থৌরম পাঙথোকপা হায়বসিদা অকায়বা করিসু লৈতে। থৌরম অসি অতোপ্পা কম্ম্যুনিটি নৎত্রগা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তসু নত্তে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা অমনা কুমজা ১৯১৭ তগী ১৯১৯ ফাওবা শোক্লখিবা এঙ্গলো– কুকি লান নীংশিংদুনা চহী ১০০ শুরকপা গোল্ডন জুবিলি থৌরমগা মরী লৈননা কুকি কাঙলূপ্পা খুন্দারিবা ভিল্লেজশিংদা হন্দক য়ুংখিবা মেমোরিয়েল ষ্টোন (নীংশিং নুঙ) লৌথোকপা নৎত্রগা মাঙহনবা য়ারোই হায়না কুকি ভিল্লেজশিংদা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

মণিপুর গভর্ণমেন্টকী জোইন্ট সেক্রেটরী (হোম)না থা অসিগী ১৩ দা থোকখিবা য়াথং অমদা গোল্ডন জুবিলি থৌরমগা মরী লৈননা কুকি




*চান্দেল দিষ্ট্রিক্টগী মনুংচনবা কুকি ভিল্লেজ অমদা য়ুংখিবা এঙ্গলো –কুকি ৱার মেমোরিয়েল ষ্টোন অমা*

ভিল্লেজশিংদা য়ুংলিবা মেমোরিয়েল ষ্টোনশিং লৌথোক্কদবনি হায়খিবা অদু য়ানিংদবগা লোয়ননা নুপীশিং থোরক্তুনা য়ুংখিবা মেমোরিয়েল ষ্টোনশিং ঙাক শেন্দুনা লৈনখ্রে।

চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা মোলনোই এরিয়াদা খোঙজং চঙশিনখিবদা শরুক য়াখিবা নুপী অমনা ফোঙদোরকখিবদি লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংনা ১৯১৭ দগী চহী ৩ চূপ্পা শোক্লখিবা লানফম অদু নীংশিংদুনা মেমোরিয়েল ষ্টোন য়ুংবা অসি লৌথোক্লবা গভর্ণমেন্টনা পীবা য়াথং অদু খুদক্তঃা হন্দোক্কদবনি। য়ুংলিবা নুঙ লৌথোকপসু য়ারোই অদুগা অদুদা ইরিবা ৱাহৈশিংসু লৌথোকপা য়ারোই। গভর্ণমেন্টকী য়াথং অদু হন্দোক্লে হায়দ্রিবফাওবা নুপীশিংনা য়ুংখিবা নুঙ ঙাক শেনবগী থবক অদুম্মক মখা তানা চত্থখিগনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

# দ্রাফট নেস্নেল এদুকেসন পোলিসি ২০১৯ তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (এস এন এস )ঃ ওল মণিপুর রিকোগনাইজ প্রাইভেট স্কুল ৱেলফেয়ার এসোসিয়েসন ইম্ফালনা শীন্দুনা দ্রাফট নেস্নেল এদুকেসন পোলিসি ২০১৯ হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা নোংমগী সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম্না পোলিসি অসি তরাম্না ওকপগা লোয়ননা অথুবদা থবক্তা ওম্থোক্লবা হোৎনগদবনি হায়না ৱারেপ্পখ্রে লোয়ননা ষ্টেটকী ওইবা পোলিসি শেম্লকপদা ষ্টেটকী চান্নবা মওং মতৌদা ওইগদবনি হায়নসু ফোঙদোক্লখি।

এল সদানন্দা সিংহনা মোদরেটর ওইদুনা চত্থখিবা প্রোগ্রাম অদুনা মখা তানা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী কম্মিস্নার (এদুকেসন –এস)না হৌখিবা সেপ্তেম্বর ৩ দা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দমদা নো স্কুল বেগ দেগী পোলিসি অদুসু এসোসিয়েসন অসিনা তরাম্না ওকপগা লোয়ননা ২০২০ একাদেমিক সেসন্দগী চৎনবা হৌবা অমদি হায়রিবা নুমিৎ অসিদা মহৈরোয়শিংনা তৌগদবা এক্টিভিটিশিং গভর্ণমেন্টকা ফম্মিন্নদুনা লেপথোকপগা লোয়ননা রুলনচিংবা শেম্মিন্নবা হায়নসু য়ানখি।

এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এল জোয়না ফোঙদোরকখিবদি মখা তানা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হোষ্টেল/বোর্দিংগী রিগুলেটরি গাইদ লাইন অমা শেম্নবা হোৎনরিবা অসিদা অঙম্বা মতেং পাংবা অমদি হান্না বোর্দিং /হোষ্টেল লৈরিবসিদা চহী ৩গী মতম পীদুনা রুল অমসুং রিগুলেসনশিং মপূং ফানা চৎনবা হোৎনহনবা হায়নসু য়ানখি।

মখা তানা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্বকী ফাইনেল এগজামগীদমক্তা স্কুলশিংদা থা অহুম মরি কেম্প তৌদুনা ক্লেসন নেচর অমদি এক্সত্রা ক্লাস তৌবদা স্কুল ওথোরিটিশিং অমদি পেরেন্টশিংগী য়ানবা অদু হোষ্টেল/বোর্দিংগী রুল অমদি রিগুলেসন্না কোনশিনবা হায়নসু য়ানখি হায়রি।

# অরুনাচলগী দিপ্যুটি স্পিকর য়াওনা আই সি পিদা মীফম পাঙথোকখ্রে



মোরে, ওক্টোবর ১৫ (এস এন এস )ঃ অরুনাচল প্রদেস লেজিস্লেটিভ এসেমব্লিগী দিপ্যুটি স্পিকর তেসম কোমতেনা লুচিংবা দেলিগেসন ৬ না শাবা টিম অমা য়াওনা ঙসি নুংথিল মোরেগী ইন্টিগ্রেটেদ চেক পোষ্ট (আই সি পি)গী কনফরেন্স হোলদা লল্লোন ইতিক্কী মরমদা খন্ন–নৈনবগী মীফম পাঙথোকখ্রে।

অরুনাচল প্রদেশকী দিপ্যুটি স্পিকরনা লুচিংবা টিম অদুদা য়াওরিবশিংদি লাইশম সিমাই এম এল এ, জিমনু নমচোং এম এল এ, সেক্রেটরী ট্রেদ এন্দ কম্মর্স অনীরুধ এস সিংহ আই আর এস, দাইরেক্টর ট্রেদ এন্দ কম্মর্স তোকোং পেরটিন অমসুং দিপ্যুটি দিরেক্টর ট্রেদ এন্দ কম্মর্স সোনয়ুং মোদি য়াওরি।

মোরেদা লৈবা ৪৩ শুবা বট্টালিয়ন অসাম রাইফলসকী কম্মান্দেন্ট সুমিট সুদ, বোর্দর ট্রেদ এন্দ চেম্বর ওফ কম্মর্সগী প্রসিদেন্ট সুরেন্দ্র পথিজাসু মীফম অদুদা শরুক য়াখি। মরু ওইনা ম্যান্মার অমসুং ইন্দিয়া লৈবাক অনীগী তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং পুথোক পুশিন্দা য়াওরিবা আইটেমশিংগী মতাংদা খন্ন–নৈনখি। তুংদা অরুনাচল প্রদেশকী টিম অদুনা আই সি পিগী তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিং কোয়না চত্তুনা য়েংশিনখি হায়রি।

# নোহাখোলগী ১৯৭ শুবা লাইরিক ফোঙগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (এস এন এস )ঃ নোংচুপ হারম খোর্জে লূপ (নোহাখোল) য়ুরেম্বম ইম্ফাল ৱেষ্টকী ১৯৭ শুবা ডা. এল শশীকুমার য়ুরেম্বম্না ইবা 'দ ৱেব' হায়না মিংথোনবা লাইরিক চৎলিবা থা অসিগী ১৬ য়ুমশকৈশ নুমিৎকী নুংথিল পুং ১ তাবদা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা নুংহর পব্লিক গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা ফোঙলগনি।

নোহাখোলগী জেনরেল সেক্রেটরী ডা. আই এস য়ুম্নাম্না ফোঙদোরকখিবদি থৌরম অদুদা এদিস্নেল এস পি ইম্ফাল ইষ্ট টিঐচ কৃষ্ণতোম্বী সিংহনা অথোইবা মীথুংলেন অদুগা উখ্রুলগী সোসিয়েল ৱার্কর এলিসেনা অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াগনি।

# আগষ্ট ১৪ মণিপুর নীং তম্বা নুমিৎ ওইনা মথং চহীগী কেলেন্দরগী মচাক্তা হাপচিল্লে ঃ কেলেন্দর বোর্দ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (এস এন এস )ঃ কংলৈপাক কেলেন্দর বোর্দনা চহী খূদিংগী সাইন্টিফিক ওইবা কেলেন্দরগী মচাকশিং মীয়ামদা ফংহনবগা লোয়ননা মমাঙদা চমম্নবা পোকহল্লম্বা, অমগা অমগা থবান খেন্নরম্বা কয়াদগী কোকহনবা ঙম্লে লোয়ননা মথং চহী ২০২০গী আগষ্ট ১৪ ইরাই নুমিৎ অসি বৃটিশ লৈঙাক্তগী মণিপুর নীংতম্বা নুমিৎ ওইনা কেলেন্দরগী মচাক্তা হাপচিল্লে হায়রি।

কংলৈপাক কেলেন্দর বোর্দ (কে সি বি)গী সেক্রেটরী জেনরেল সোরাইসম সঞ্জিৎনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মথং চহী ২০২০গী ওইনা লনাই ফার্ম, দুকান, ক্লিনিক, হোস্পিটাল, স্কুল কলেজ, ওফিস, কম্পনি অমদি তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা থবান য়াওবা কেলেন্দর মখোয় মখোয়গী ওইনা পুথোক্কবগীদমক শগোলবন্দ মোইরাং লৈরক মচিন্দা লৈবা সিকোগী ওফিসকা মতম খরগী ওইনা পুন্না লৈমিন্নরিবা বোর্দ অসিগী ওফিস্তা লাক্লগা কেলেন্দরগী মচাকশিং য়াওনা রেজিষ্ট্রেসন তৌদুনা শকখঙ চে লৌবিয়ু। বোর্দ অসিগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বর য়াওরবা শক খঙলবা থবান কেলেন্দর খক্তমক কংলৈ মীয়াম্না শীজিন্নবিয়ু। বোর্দকী রেজিষ্টার নম্বর য়াওদবা কেলেন্দর অদু ওথোরিটি ওইদবনি হায়না লৌগনি। সাইন্টিফিক ওইদবা কেলেন্দরদি মীয়াম্বু লান্না লমজিংবনি। অদুনা শীজিন্নবিগনু।

বোর্দ অসিদগী মচাক লৌদনা মীঙোন্দগী শিন্দোকপা অমদি অফোঙবা কেলেন্দরদগী কোপি তৌবিগনু। করিগুম্বা কোপি তৌরম্লবদি মদুদগী থোরকপা অফ–ফত্তা মশা মশানা পুজগদবনি। প্রিন্টিং প্রেসনসু বোর্দ অসিগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বর য়াওরবা কেলেন্দরখক্তমক নম্বিয়ু। মসিগীদমক ফোন নম্বর ৮৭৩১৮৩৯২৩৬, ৯০৭৭৭১২৪৪২ অমদি ৭০৮৫৩২০৪২৫ দা পাউ ফাওনবা য়াগনি হায়রি।

# সিকোনা শীন্দুনা ব্রক্ষসভাগী চৈরাক ফংখ্রবশিং নীংশিং থৌরম পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (এস এন এস )ঃ মমাঙ চহীশিংদা পাঙথোকপগুম হন্দকসু সাউথ ইষ্ট এসিয়া কলচরেল ওর্গনাইজেসন (সিকো)না শীন্দুনা মতম অমদা সনামহী লাইনিং হিঙ্গৎ ইহৌ শাগৎলম্বা, মীয়ামগীদমক কখোল্লম্বা অমদি মীয়াম্বু হৌদোল্লম্বগী থবক থৌরমদা মতম অদুগী নিংথৌ অমদি ব্রক্ষসভাগী চৈরাক ফংখ্রবা ইপা ইপুশিং নীংশিংবগী ৫ রক শুবা থৌরম চৎলিবা থা অসিগী ৩১ হিয়াঙ্গৈ ৪ নি পানবা শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০ দা উরিপোক কাংচুপ লম্বীগী লম্বোইখোংনাংখোং কম্ম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্কদৌরি।

সিকোগী সেক্রেটরী পব্লিসিটি থাংজম ইনাওচানা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, অখন্নবা থৌরম অসি মায় পাক্লবা মীয়াম্না মতম অমদা নিংথৌ অমদি ব্রক্ষসভাগী চৈরাক ফংখ্রবা মীতৈ ইপা ইপুশিংগী ফোটো অমদি মখোয়গা মরী লৈনবা চে–চাং শগোলবন্দ মোইরাং লৈরক মচিন্দা লৈবা সিকোগী ওফিস্তা পীবিয়ু।

থৌরম অসিদা মীয়ামসু শরুক য়াবিয়ু লোয়ননা পাংবা মখল খূদিংমক্কী মতেংসু পাংবিয়ু। থৌরম অসিগা মরী লৈননা চৎলিবা থা অসিগী ৩০ অমসুং ৩১ নুমিৎ নীনি অসিদা লমদম অসিদা লূপ অমত্তনা জেনরেল ষ্ট্রাইক্লচিংবা মখল অমত্তগী অয়েৎ অপন পীবিগনু। কনাগুম্বনা ঈ–পাউ খঙনিংলবসু সিকোগী ফোন নম্বর ৯৩৭৮১১৪১১৬ অমদি ৮১৩১৯২৪৩৯৩ দগী খঙবা য়াগনি হায়রি।

# ফার্মাসি রন্নর অমসু ফারে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (এস এন এস )ঃ রিমস হোস্পিটালগী কেজ্যুলি–টিদগী ফার্মাসি রন্নর অমসু রিমস ওথোরিটিনা ফাবগা লোয়ননা অসিগুম্বা থবক মতুংদা অমুক তৌদনবা খঙহল্লবা তুংদা লম্ফেল পুলিস ষ্টেসন্দা শিন্নখ্রে হায়রি। ফারবা মীওই অদু কে রাজু সিংহ কৌই। মহাক্না অসিগুম্বা ইল্লিগেল ওইবা থবক অমুক হন্না তৌররোই হায়বগী অইবা চেরোল অমা হোস্পিটাল ওথোরিটিদা পীরমখি হায়রি।

# দ্রগ লল্লোনবশিং ফাগৎলবসু চৈরাক পীবদি লৈত্রিঃ ইপাক

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (এস এন এস )ঃ ঙসি ঙসিমক লমদম অসিদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিংগী মনুংদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্লা মরম ওইরগা মতম খরগী মতুংদা খুন্নাই অসি পুংমুৎ মুৎখিবা য়াবগী অকিবা অসিসু অমনি। মসিগা মরী লৈননা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা দ্রগকী মায়োক্তা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিনবগা লোয়ননা লুপা ক্রোর কয়াগী তোঙান তোঙানবা মখলগী দ্রগ ফাগৎলি অদুবু ঙসি ফাওবদা মীয়াম খঙনা পুথোক্তুনা চৈরাক পীবদি লৈত্রি হায়না ইন্দিজেনস পিপলস এসোসিয়েসন ওফ কংলৈপাক (ইপাক) না ফোঙদোরক্লি।

ইপাক্কী পব্লিসিটি সেক্রেটরী আর কে প্রিতমনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মণিপুর পুলিসনা ফাগৎখিবা লুপা ক্রোর কয়াগী দ্রগ মপুশিং য়াইতোং ফমদোংবশিংগী খুবাম্নংদা লোৎশিন্দুনা থল্লি। অসিগুম্বা মীওই কয়া অসিনা খুন্নাই অসিবু মাঙহন্নবা অচৌবা থৌদাং লৌই। অদুনা মীওইশিং অদু গভর্ণমেন্টনা লোৎশিনবগী মহুত্তা মীয়াম মাঙদা মরিক চুম্না পুথোকপা মতম ওইরে। অমরোমদা লৈবাক মাঙহল্লিবা মীওইশিংগা গভর্ণমেন্ট পায়রিবা মীওই খরগা লৌতুনবা লৈরব্রা হায়বগী চিংনবসু পোক্লরে। মরম অদুনা খুন্নাই মাঙহল্লিবা মীওইশিং অথুবা মতমদা মীয়াম খঙনা পুথোক্তুনা লোগী মতুং ইন্না মতিক চাবা চৈরাক পীবিয়ু হায়নসু মরী লৈনবশিংদা আপিল তৌরি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, চৎলিবা চহী অসিদা নোংজুগী চাং য়াম্না ৱাৎখিবনা মরম ওইরগা হৌখিবা চহীশিংদা পুথোকখিবা পোখোক্কী চাংদগী চাদা ৮০ দি হম্বরক্লগনি হায়বসি মীপুম তিংনা খঙনরবা ৱাফম্নি। মসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্ট অমসুং মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী করি করম্বা থৌরাং লৌখৎলিবগে হায়বা অদু মীয়ামদা মরিক চুম্না খঙহনবসু চুমগনি।

লৌমী শিন্মীশিংনা কোক্তা খূৎ হাপ্পফাওবদা তুমিন্না লৈশিনবগী হৈনবী থমদুনা ৱাফম অমফাওবা ফোঙদোক্তবা অসি খুন্নাই অসিগী মরাইবক করম থোক্লগদবা হায়বগী ৱাফমসু থল্লি।

# দিসএবিলিটিশিংগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম তোঙান তেঙানবা মফম ৪দা পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (এস এন এস )ঃ ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী দিপার্টমেন্ট ওফ পার্সন ৱিথ দিসএবিলিটিগী নেস্নেল ইন্সটিট্যুট ফোর দ ইম্পৱারমেন্ট ফোর পার্সন্স ৱিথ ইন্টিলেকচুয়েল দিসএবিলিটিনা স্পোন্সর তৌরগা রেলিফ সেন্টর ফোর দ ৱেলফেয়ার ওফ দিফরেন্টলি এবল পার্সন মণিপুরনা শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা মফম ৪ দা নোংমগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম হয়েং য়ুমশকৈশ নুমিত্তগী হৌনা পাঙথোক্কদৌরি।

রেলিফ সেন্টর অসিগী প্রোগ্রাম মেনেজর এম প্রেমিয়র সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, নোংমগী ওইবা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসি হয়েং য়ুমশকৈশ অমসুং শগোলশেল নুমিত্তা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা মোইরাংগী আই এন এ হোলদা নুমিৎ খূদিংগী অয়ুক পুং ১১ দগী হৌনা পাঙথোক্কনি। অদুগা থা অসিগী ১৮ দা কাংপোকপি দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা সাইকুলগী উতোংলোক ভিল্লেজ কম্ম্যুনিটি হোলদা অদুগা অরোইবা থা অসিগী ১৯ দনা মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদা পাঙথোক্কনি।

ট্রেনিং প্রোগ্রামশিং অসিদা নেস্নেল ইন্সটিট্যুট ফোর দ মেন্টেল্লি হেন্দিকেপ এন আই ই পি আই দি সেকেন্দরবাদকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার (পেদিয়াট্রিক্স) ডা. জি মেরি অনুরুপা, এন আই ই পি আই দি হায়দ্রবাদকী ওকুপেস্নেল থেরাপিগী লেকচরর মুগেস তুলসিকন্থন অমসুং এন আই ই পি আই দি রিজেনল সেন্টর নবি মুম্বাইগী লেকচরর (স্পিসিয়েল এদুকেসন) রবি প্রকাস সিংহনা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াগনি।

তোঙান তোঙানবা হিরমদা নুমিৎ হুম্নি ট্রেনিং প্রোগ্রাম চত্থরবা মতুং মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদা পাঙথোক্কদবা অরোইবা থৌরমদা ইন্টিলেকচুয়েল দিসএবিলিটিশিংগী আইদেন্টিফিকেসন এন্দ এসেসমেন্ট কেম্প পাঙথোক্কনি হায়রি।

# চান্দেলদা স্কিল দিভলপমেন্ট সেন্টর হাংদোকখ্রে

চান্দেল, ওক্টোবর ১৫ (এস এন এস )ঃ নমসতস্য সার্ভিস প্রাইভেট লিমিটেদনা চান্দেলদা লৈবা ১৮ অসাম রাইফলস কেম্পতা স্কিল দিভলপমেন্ট সেন্টর অমা ঙরাং হাংদোকখ্রে। সেন্টর অদু ইন্দিয়ান ফুটবোল টিমগী কেপ্তেন অমসুং ফুটবোল প্লেয়র এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট পোৎসংবম রেনিদি সিংহনা হৌনবী মতুং ইন্না হাংদোকখি।

থৌরম অদুদা ১৮ অসাম রাইফলসকী কম্মান্দেন্ট অজিৎ ক্ষেত্রি, নমসতস্য সার্ভিস প্রাইভেট লিমিটেদকী ওপরেস্নেল হেদ মনোজ কুমার, স্কিল দিভলপমেন্ট সেন্টর অসিগী মেনেজর এস সুশিলকুমার সিংহ, এ পি লুবস জেনরেল মেনেজর নিংথৌজম জোহনকুমার, হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট মীনা চোথে অমসুং হ্যুমেনেসন ফাউন্দেসনগী মেনেজিং ট্রষ্টি ৱাহেংবম রোরকোচান্দনা পুন্না থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

প্রধান মন্ত্রি কৌসল বিকাস যোজনাগী মখাদা সেন্টর অসিদা পুন্না মীওই ৭২০ লোমদা লেম্না কম্প্যুটর, সিৱিং মেছিন অমসুং মেকঅপকী ট্রেনিং পীগনি হায়রি।

# বুদ্ধ নেস্নেল এৱার্দ ফংলবা মীওই ২ ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৫ (এস এন এস )ঃ বুদ্ধ নেস্নেল এদুকেস্নেল এন্দ কলচরেল একাদেমি মহিশুর কর্নতকানা শীন্দুনা চৎলিবা থা অসিগী ৬ তা মহিশুরগী বিবেকানন্দ ওদিটোরিয়ম শ্রীরামপুরদা পাঙ–থোকখিবা থৌরম অমদা বুদ্ধ নেস্নেল এৱার্দ পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রবা মীওই অনী হরাউ তয়াম্না ওকখ্রে।

ভারতিয়া দলিট সাহিত্য একাদেমি মণিপুর ষ্টেটকী পব্লিসিটি সেক্রেটরী থৌনাওজম বিমোলা দেবীনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, অম্বেদকর নেস্নেল এৱার্দি লাইশ্রম রামজি সিংহনা ময়াই ফমদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা বুদ্ধ নেস্নেল এৱার্দ ফংলক্লবা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুংচনবা খুরাই সাজোর লৈকাইদগী ডা. খোংবানতাবম কামিনিবাবু সিংহ সেনিয়ার আই স্পিসিয়েলিষ্ট অমসুং ইচেল এক্সপ্রেসকী কলম্নিষ্ট ডা. আর কে গুনচন্দ্র সিংহবু তরাম্না ওকখ্রে।

লেমজনিঙাই ওইরবা মনা অসি ফংবা মীওই ইন্দিয়াগী ওইনা ৫১ শুরে। অদুগা মণিপুরগী ওইনদি মখোয় অনীনা অহানবনি। ডা. কামিনিবাবু হৌজিক হৌজিক এদভান্স হোস্পিটালদা আই স্পিসিয়েলিষ্ট ওইনা মীয়ামগী সেবা তৌরি। অদুগা ডা. আর কে গুনচন্দ্রনা কলম্নিষ্ট ওইবদা নত্তনা লিটরেচর অমসুং কলচর চাউখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি হায়রি।

# এক্স সার্ভিসমেনশিংগা উনখ্রে

মোরে, ওক্টোবর ১৫ (এস এন এস )ঃ মোরে টাউনদা মথং মথং বোম পোকখায়খ্রবা মতুং মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিল্লকপগা লোয়ননা ২৬ সেক্টর অসাম রাইফলসকী কম্মান্দরনা এক্স সার্ভিমেনশিং অমসুং সি এস ওশিংগা ঙসি উনদুনা ৱারী ৱাতাই শানখ্রে।

উনবা অদুদা এক্স সার্ভিস–মেনশিংনা মীয়ামগী অফবা ৱাখল্লোন পুরক্লবা হোৎনবদা পাংখিবা মতেংবু অপেনবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মখোয়না আর্ম ফোর্সতা লৈরিঙৈদা তৌরম্বা থবকশিং শীংথাখি। মখা তানা মোরে টাউনগী শেমগৎ শাগৎপগী মতাংদা মশা মশাগী ওইবা মতসু পীখি হায়রি।

# নেপকোগী ওফিসিয়েল ৪ ফংনবা থিরি

হাপলোং, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সি)ঃ নোর্থ ইষ্টর্ন ইলেক্ট্রিক্ট পৱার কোর্পোরেসন (নেপকো)গী ওফিসিয়েল ৪ কন্নবগীদমক নেস্নেল দিজাষ্টর রিলিফ ফোর্স (এন দি আর এফ) অমসুং এস দি আর এফকী টিম্না ওপরেসন চত্থবা হৌখ্রে। মখোয় থা অসিগী ৭ তা উমলোং রিজার্ভরগী তর্বাইন রুমদগী ঈশিংদা তাশিনখিবনি।

# অসামগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৪ গী বাই ইলেক্সনদা বি জে পি অমসুং কংগ্রেস অকনবা লম্বা তৌনরি

গুৱাহাটি, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সি)ঃ অসামগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৪ হায়বদি সোনারি, রঙ্গপরা, রতাবারি অমসুং জনাইগী থা অসিগী ২১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা বাই ইলেক্সনদা রুলিং বি জে পি অমসুং ওপোজিসন কংগ্রেসকী মীরেপশিং অকনবা লম্বা তৌনবগা লোয়ননা কেম্পেইনসু হেন্না কনখৎখ্রে।

হায়রিবা কন্সটিট্যুয়েন্সি ৪ অসিগী মেম্বরশিং হন্দক্কী লোক সভা ইলেক্সনদা মায় পাকখিবদগী তঙাইফদনা হাঙদুনা লৈরিবা সিট অসি মেনশিন্নবা বাই ইলেক্সন পাঙথোক্কদৌরিবনি। বাই ইলেক্সন অসিগীদমক পার্টি অনীমক্না ভোট খোম্নবগীদমক ষ্টার কেম্পেইনর ৪০–৪০ গী মিং লাউথোকপগা লোয়ননা বি জে পি ষ্টেট প্রসিদেন্ট রঞ্জিৎকুমার দাস অমসুং প্রদেশ কংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট রিপুন বোরানা মখোয় মখোয়গী পার্টিগী ষ্টার কেম্পেইনরশিং লুচিংলি।

বি জে পি ষ্টেট প্রসিদেন্ট রঞ্জিৎকুমার দাস হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা হেলিকোপ্তরনা বারবেতা দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা জনাই কন্সটিট্যুয়েন্সিদা লাক্তুনা মিটিং অনীদা শরুক য়াখি অমসুং করিগুম্বা বি জে পি মীরেপ্পা মায় পাক্লবদি কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী শেমগৎ শাগৎপগী থবক হেন্না খুমাঙ চাউশিন্না পায়খৎকনি হায়বগী থাজবা পীখি।

বাই ইলেক্সন তৌগদৌরিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি ৪ অসিগী মনুংদা অহুম হায়বদি সোনারি, রঙ্গপারা অমসুং রতাবারিদি বি জে পিনা শোয়দনা মায় পাক্কনি অদুগা মাইনোরিটিনা মপূং ওইনা লৈরিবা জনাই কন্সটিট্যুয়েন্সিদসু পার্টি অসিনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবসু পীখি। জনাই কন্সটিট্যুয়েন্সিদা জোরহাটতগী এক্তর মুস্লিম য়েলহৌমী তাওফিক রহমনবু বি জে পিনা মীরেপ ওইনা পুথোক্লি।

অমরোমদা কংগ্রেসনা বাই ইলেক্সন অসিদা সিট ৩ ফংগনি হায়না অশা তৌরি। হায়রিবা কন্সটিট্যুয়েন্সি ৩ অসি চা থাবা কাঙবুগী মীশিংনা য়াম্বা মফম্নি হায়রি। বাই ইলেক্সন অসিগীদমক এ আই সি সিগী ইন–চার্জ হরিস রৱট ঙরাং গুৱাহাটিদা থুংখিবগা লোয়ননা পার্টিগী লুচিংবশিংগা মিটিং কয়া পাঙথোক্লবা মতুং তোঙান তোঙানবা মফমদা পাঙথোকপা মিটিং কয়াদা শরুক য়াখি হায়রি।

মরক অসিদা তোঙান তোঙানবা এন জি ও অনীনা বাই ইলেক্সন অসিদা মীরেপ ওইরিবশিংনা থাগৎলকপা এফিদেবিটতা নৈনরগা কেন্দিদেট ওইরিবশিংগী চাদ ২০ দি মিলিয়নরনি হায়রি। কন্সটিট্যুয়েন্সি ৪ গী বাই ইলেক্সন অসিদা পুন্না কেন্দিদেট ২০ না লম্বা তৌনরি। মখোয়গী মনুংদ অহুমদি ক্রিমিনেল কেসতা চেন্নবনি হায়নসু উৎলি। কেন্দিদেটশিং অসিগী মনুংদা নুপী অমখক য়াওরি। অদুগা কেন্দিদেট অমদি ক্লাস আইটতমক পাস তৌবা অদুগা ৩না মেট্রিক অমসুং ৮ না টুয়েল্ব ক্লাস, ৪ না গ্রেজুয়েট, ২ না পোষ্ট গ্রেজুয়েট, অমনা ডাক্টরেট অদুগা অমনা লৌমীনি হায়না মখোয় মখোয়গী এদুকেস্নেল ক্বালিফিকেসনদা উৎলি হায়রি।

# পল্লেল কৈথেলগী অকোয়বা শেংদোকখ্রে

পল্লেল, ওক্টোবর ১৫ (এস এন এস )ঃ চিনা ক্লব, পল্লেল বজারগী মৈরা পায়বী অমসুং চীংমী পোৎফম ফম্বীশিং য়াওনা ঙসি অয়ুক্তগী হৌনা পল্লেল কৈথেল এরিয়াগী অকোয়বা মফমশিংগী লমতু শেংদোকখ্রে।

চিনা ক্লব পল্লেলগী প্রসিদেন্টনা ফোঙদোরকখিবদি লমতু শেংবা লোইরবা মতুংদা মীয়ামগী মীফম অমসু পাঙথোক্তুনা ৱারেপ কয়া মত অমত্তা ওইনা লৌখি। ৱারেপশিং অদুদি পল্লেল কৈথেল ফাওদুনা চৎলিবা পেসেঞ্জর খূদিংমক্তা বোট্টল অহাংবা অমদি ফত্ত–হৌদি মফম চানা থনম্নবা খঙহনবা, দুকান্দার–শিংনা মশা মশাগী দুকান মমাঙদা ফত্ত–হৌদি হাপফম–দষ্টবিন অমমম থমগদবনি অমদি হপ্তা হপ্তাগী ওইনা দষ্টবিনগী ফত্ত–হৌদি হুন্দোকফমগী মতাংদা মথংগী সোসিয়েল সার্ভিসকী মীফমদা খন্নবা হায়বসিনি।

# ভিজুয়েল আর্ট এগজিবিসন পাঙথোক্কনি

ককচিং, ওক্টোবর ১৫ (এস এন এস )ঃ নাওরেম ইবেমু দেবীনা স্পোন্সর তৌরগা খা মণিপুর আর্ট সোসাইটি (কমাস) ককচিংনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৭ অমসুং ১৮ দা ভিজুয়েল আর্ট এগজিবিসন লাইব্রেরী এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্টর ককচিংগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্কদৌরি।

কমাসকী সেক্রেটরী পি প্রেমজিৎ সিংহনা ফোঙদোরকখিবদি এগজিবিসন অসি হৌদোকপা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০ তাবদা ভিজুয়েল আর্ট কম্পিটিসনসু পাঙথোক্কনি। কম্পিটিসন অসিদা ক্লাস সভেনগী মথক্তঃা লৈবা মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াবা য়াগনি। নুমিৎ অসিগী অয়ুক পুং ৯ ফাওবগী মনুংদা মিং চনগদবনি। শরুক য়াগদবশিংনা পেন্টিং পেপর নত্তনা অতৈ চঙবা পোৎলমশিং মশা মশানা পুরক্কদবনি হায়রি। অকুপ্পা মরোল ফোন নম্বর ৮৭২৯৯৮৫৮৩৬ অমসুং ৮৪১৫৯৬২২৬০ দগী খঙবসু য়াগনি হায়রি।




# ঙসিগী ৱাষি ফল (১৬–১০–২০১৯)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবনা চানবিবা মতম্নি। লম্বী চৎপা, মী তিন্নবা কান্নগনি। নক্ষত্র ১,২,৩ অফবনি।

**বৃষঃ** মতম কুইনদগী খঞ্জরকপা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা, অচৌবশিংনা চানবিবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। ৱাখল নুংঙাইরগনি। নক্ষত্র ৩,৪,৫ অফবনি।

**মিথুনঃ** অচুম্বা অর্থ লান্না লৌবা মীচং লৈতবা শেল চৎপা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবশিংনদি চানবিরগনি। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ৫ ফগনি, ৬ হেন্না ফত্তে, ৭ খরা ফগনি।

**কর্কটঃ** চয়েৎনবা মরক্তা পাঙথোক্লিংবদি পাঙথোক্লগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবনা চানবিরগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। শেল চৎলগনি। নক্ষত্র ৭ ফগনি, ৮ ফত্তে, ৯ খরা ফগনি।

**সিংহঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, চাউখৎপা, ফগৎপা, অরুবা খরা পাঙথোকপা, পোৎ লৈবা য়াবা, হকচাং ফগৎপা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ১০, ১১,১২ অফবনি।

**কন্যাঃ** হোৎনবা য়াবা, পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, পোৎ লৈবা য়াবা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১২,১৩,১৪ অফবনি।

**তুলাঃ** শোক্কনবা, শাওনবা, অর্থ লান্না লৌনবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবশিংনা চানবিরগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। হকচাং ফগৎনবা হোৎনজগনি। নক্ষত্র ১৪ ফগনি, ১৫ ফত্তে, ১৬ ফগনি।

**বৃশ্চিকঃ** চরক চহিং নাইবা, শেল চৎপা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। অচৌবা মরুপ মপাংশিংনা নুংশিবিরগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৬ ফগনি, ১৭ চাং অমদা লৈ। ১৮ ফগনি।

**ধনুঃ** চয়েৎনবা মরক্তা অরুবদি পাঙথোক্লগনি। লম চৎপা মী তিন্নবদি হৈ শিংউ। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ১৯, ২০, ২১ অফবনি।

**মকরঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা অরুবা খরদি পাঙথোকপা, অচৌবশিংনা নুংশিবিবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ২১, ২২,২৩ অফবনি।

**কুম্ভঃ** শোক্কনবা খৎনবা মতম্নি। শেল চৎপা, মীৱা মীশা তাবা মতম্নি। অরুবা খরা পাঙথোক্লগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২৩ ফগনি, ২৪ ফত্তে, ২৫ খরা ফগনি।

**মীনঃ** চয়েৎনবা, অমুক্তংদা পাঙথোকপা ৱাবা মতম্নি। ইথক থোংবশিংনা নুংশিবিরগনি। লম চৎপা, মী তিন্নবদি চেকশিল্লু। নক্ষত্র ২৫ ফগনি, ২৬ ফত্তে, ২৭ ফগনি।